# এ আর পার্সোনেল অমনা নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা চথখিবা থৌওং কন্দেম তৌনরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
এসিয়ান হায়ৱে ইম্ফাল–মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা লৈবা ১২ অসাম রাইফলসকী চেক পোষ্টতা মণিপুর পুলিসকী নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা অসাম রাইফলস পার্সোনেল অমনা চথখিবা থৌওং মায়কৈ কয়াদগী কন্দেম তৌবগা লোয়ননা চেন্নরিবা পার্সোনেল অদুগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লোগী মতুং ইন্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ৱুমেন্স এফিয়ার্স সেক্রেটরী মোইবুংখোংবম মোনালিসা চনুনা ফোঙদোরকখিবদি নুপী আই পি এস ওফিসার অমনা মশাগী ইস্কোর্ট য়াওনা মোরেদা ওফিসিয়েল ভিজিট তৌরগা হল্লকপদা চেক পোষ্ট অদুদা এন্ট্রি তৌনবা হোৎনবদা ১২ অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমনা দিটেন তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা মশাগী শক্তাকচে উৎলবা ফাওবা তাথি তাওইনা তৌখিবা থৌওং অদু য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি অদুনা এমসু ৱুমেন ৱিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা হাকথেংননা চেন্নরিবা অসাম রাইফলস পার্সোনেল অদুগী মথক্তা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা চপ চাবা এক্সন লৌখৎতুনা নুপীশিংদা লিশাংশিংনা চথরক্লিবা মীওৎ মীনৈগী থবক খুদক্তা লেপ্পবা হোৎনবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

ওল মণিপুর ৱুমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী জেনরেল সেক্রেটরী পি সোবিতানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মশানা মশাবু য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা ফোর্সনি হায়জরবসু পার্সোনেল খরগী তৌথোরকপা থবক্না লমচৎ নাইদবা ফোর্স ওইনা মীয়ামদা উহল্লি। মমাঙদসু খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা পোষ্টিং তাবা পার্সোনেলসিংনা চীংমী নিঙোল অমা চেক তৌবগী মিংদা মোলেষ্ট তৌখিবগী ৱাথোক লৈখ্রে। হন্দকসু দ্যুটিদা লৈবা নুপী আই পি এস ওফিসার অমবু ইস্কোর্ট য়াওনা য়াওনা ফাজিন্দুনা থম্বা, মশা শোক্লা ফিজিকেল মোলেষ্ট তৌবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওং মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরী লৈনবা খূদিংমক্লা চেন্নরিবা মীওই অদু মীয়াম খঙনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। দিসিপ্লিন ফোর্স অমনি হায়বদু তশেংনা উৎকদবনি হায়রি।

জোইন্ট কম্মিটি ওন পিপলস ৱেলফেয়ার য়াইরিপোক্লা এস দি পি ও য়াইরিপোক্কী থৌ পুরিবী আই পি এস ওফিসার অমদা ১২ অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমনা চথখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক এরিয়াগী ক্লব ১৬ কী অপূনবা বোদি ওইরিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন পিপলস ৱেলফেয়ারগী সেক্রেটরী সঞ্জোয় হিদামনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চেন্নরিবা পার্সোনেলশিং অদুগী মথক্তা দরকার ওইবা এক্সন লৌখৎতুনা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা মথোঙ হুক্তবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি। করিগুম্বা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অসাম রাইফলস পার্সোনেল অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙমদনা তুমিন্না লৈশিল্লবদি কম্মিটি অসিনসু তুমিন্না লৈথোক্রোই হায়রি।

মণিপুর পিপলস পার্টি চনুরা মরুপনসু থোকখিবা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা চেন্নরিবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়রি।

চনুরা মরুপকী প্রসিডেন্ট ইন–চার্জ কেঐচ থাম্নানা ফোঙদোরকখিবদি মমাঙদসু খুদেংথাবি চেক পোষ্ট অসিমক্তদা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। আই পি এস নুপী ওফিসার অমদা অসিগুম্বা থবক চথরবা অসিনদি মীচম মীয়ামদা মরু ওইনা নুপীশিংদা করি তৌরমগনি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা শারমচৎ চৎপা এ আরগী পার্সোনেল অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌগদবনি হায়রি।

## হরাউ কুম্ফে পাঙথোকপা য়ারোই

ককচিং, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
লাক্লিবা ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোক্কদবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব এগজামগা মরী লৈননা চৎলিবা থা অসিগী ২৫ দগী মখল অমত্তগী হরাউ কুম্ফে, ঈশৈ নোংমাই হাউসিনচিংবা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না লাউথোকখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরী নাওরেম রোনাল্ডো সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বোসেম অমসুং কোহসেমগী মায়কৈদগীসু এগজামশিং অসি শোয়দ–ঙামদনা কন্দক্ত তৌনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপিয়ু, কেন্দিদেটশিংনসু ফ্রি এন্দ ফেয়ার এগজাম ওইহন্নবা হোৎনবিয়ু, মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু হরাউ কুম্ফে হাউসিনচিংবা তৌবদা অয়াবা পীবিগনু।

## নেতাজিগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা শীন্দুনা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম থা অসিগী ২৩ শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালগী হোল নম্বর টুদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অদুদা সি পি আই ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, সি পি আই (এম) ষ্টেট সেক্রেটরী কেএসঐচ শান্ত, ফোরৱার্দ ব্লোক ষ্টেট সেক্রেটরী কেঐচ গ্যানেশ্বর, আর এস পি সেক্রেটরিয়েৎ মেম্বর কে মনোরঞ্জননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি। অদুগা ফোরৱার্দ ব্লোর্ক ষ্টেট কম্মিটিগী চিয়ারমেন কেঐচ অপানথোন মঙাংনা প্রিসাইদ তৌগনি হায়রি।

## কংলাদা চঙবা থিংলে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদবা রিপব্লিক দে থৌরম লোইদ্রিবফাওবা চৎলিবা থা অসিগী ২৩ লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তগী হৌনা ইম্ফালগী কংলাদা চঙবদা অথিংবা থমখ্রে। মসিগী মতাংদা কংলা বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরীসু ওইরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (আর্ট এন্দ কলচর) এম জোয় সিংহনা ঙসি নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

## ৱুমেন হেল্প লাইন

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
টেক্নিকেল প্রোব্লেম খরনা মরম ওইরগা মীয়ামদা পুং ২৪ সার্ভিস পীরম্বা টোল ফ্রি ৱুমেন হেল্প লাইন নম্বর ১৮১গী মহুত্তা মতম খরগী ওইনা মোবাইল নম্বর ৭০০৫৭৭ ৬১৪৪ দা কন্টেক্ট তৌবিয়ু হায়না ৱুমেন হেল্প লাইন মণিপুরগী মেনেজর জি রবি শর্মনা ফোঙদোরক্লি।

## ডা. রঞ্জন এম পিগী ৱাফম মহৈরোয় লূপ ৬ না কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খাঙবোক্তা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টার হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী কুমওন নুমিৎ থৌরমদা অথোইবা মীথুংংলেন ওইখিবা ডা. আর কে রঞ্জন এম পি (লোক সভা)না হায়খিবা – লম্বীদা থোক্তুনা ইরাং হৌরিবশিং অসি মমা মপানা ৱারকপা ৱাৎপদগীনি হায়বা ৱাফম অদু মহৈরোয় লূপ ৬ না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী প্রসিদেন্ট পিতর লাইশ্রম, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজা, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ভাইস প্রসিদেন্ট সজাদ বুয়ামযুম, দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইদিসন মৈতৈ, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী সেক্রেটরী জেনরেল সেরাম হেমজিৎ মৈতৈ অমদি এইমসকী প্রসিদেন্ট খুমুজম রোমেন সিংহনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অসিদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌরমদবা অমদি তৌদবদগীনি হায়বসি লোক সভাগী মেম্বর ডা. আর কে রঞ্জন্না খঙদ্রে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকথোকচরে।

হিংবদা তংদু লৈতাদ্রবা, বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ৱাকৎ মীফম্না থল্লবা লমদম অমা ওইরে হায়বা অসিসু মীয়াম পূন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। অসিগুম্বা ৱাথোকশিং অসিগী হৌরকফম অমদি ৱারোইশিন ওইবা য়াবা ৱাফম নৈনবগী মহুত্তা ইরমদম অসিবু কঞ্জনবগীদমক খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংদা ওনশিন্দুনা ৱারক্তবা মচা হায়না চৈরকপা অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিসিয়ান খূদিংমকপু লৈখা তানা চিংথরে হায়নসু লৌই।

অপূনবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৬৫ দা থোকখিবা চাক তাংবগী ইহৌদা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৪ থৱায়না পোম্বা পীখিবদগী হৌরগা কুমজা ১৯৮০গী মতমদা মীতোপকী ইসুদা মহৈরোয় ২ থৱায়না পোম্বা পীখিবা লোয়ননা লালহৌবা নমথনবগী মিংদা অফস্পা থমজিন্দুনা মীওৎ–মীনৈ চথরকপা, নুপী অঙাং কয়াগী ইজ্জৎ তেমশিংনরকপা অসিগী মায়োক্তা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন্না হ্যুমেন টোর্স ওইদুনা থৱায় থাখিবা অমদি মীতোপ্না য়োৎখিগদৌরবা ইরমদম অসি কঞ্জহৌনবা মহৈরোয়শিংগী ইহৌদা সাপম রোবিনহুদনা থৱায় থাখিবা, মহাকপু লমজিং মৈরা মিংথোন পীখিবা পূম্নমক অসি থোক্লমদ্রবা অমদি তৌরমদ্রবদি ঙসিগী ইরমদম অসি অসুম্না লৈরমদবসু য়াই। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংগী ইহৌদা হাকথেংননা শরুক য়ারম্বা অমদি লুচিংলম্বা মীওই কয়া এম এল এ মিনিষ্টর, কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ওঝানচিংবা ওইদুনা লৈরিবনি হায়বসি ডা. আর কে রঞ্জন এম পিনা খঙজিনবা চুমগনি।

মহৈরোয়শিংনা লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা ইহৌ হৌরকপা হায়বসি চাউখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমগী খুদমদি নত্তে। অদুবু মতম মতমগী পানখিবা অমদি ঙসিগী গভর্ণমেন্টকী থৌওংদগী ওইরকপনি হায়বসি ৱাখল খনবগী মহুত্তা মমা মপা ওইবশিংদা ওনশিন্দুনা তাইশিনবা অসিদি লৈবাক মচা তাদবগী থৌওংনি।

ডা. রঞ্জন এম পিনা থমখিবা ৱাফম অদু মীয়াম খঙনা শেংদোক্তুবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওনা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা চঙহন্দবগী ফিরেপ মহৈরোয়শিংনা লৌরকপা য়াই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## তেংনৌপলগী ফিশাবীশিংদা পহেচান কার্দ অমদি য়ার্ন পাসবুক য়েম্থোকখ্রে

তেংনৌপল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী টেক্সটাইল মিনিষ্ট্রিগী মখাদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর এরিয়াদা লৈবা ফিশাবী ২০০ রোমদা পহেচান কার্দ অমদি য়ার্ন পাসবুক য়েম্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম ক্লষ্টর তেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ঙসি তেংনৌপলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা দি কোরুংথাং এম এল এনা অথোইবা মীথুং, এ দি সি চান্দেলগী ভাইস চিয়ারমেন এস তোংপাও মাতেনো থৌরম মপু অদুগা এ দি সি চান্দেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কেএসএম মেথ্যু, কে এ আর ভি ৱাই প্রাইভেট লিমিটেদগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর বিমোল ক্ষেত্রিময়ুম অমদি মরিং উপারক এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট কে কোসিল (য়াইমা) মরিং না ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম এল এ কোরুংথাংনা হায়, গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি অদুবু পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অদু মীয়াম্না মুন্না খঙদবনা চপ চানা কান্নবা লৌবা ঙমদে। অমরোমদা মীয়ামগী য়াইফনবা, লাইরবা কোক্লবা লম্বী শেম্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা মতেং কয়া পীরিবনি। পীরিবা মতেং অসি অরেম্বদা মাঙহল্লবদি কৈদৌনুংদা নুংঙাইবা ঙম্লোই।

এ দি সি চান্দেলগী ভাইস চিয়ারমেন এস তোংপাউ মাতেনা হায়, ফিশাবীশিংদা কান্নবা পীরিবা পহেচান কার্দ অমদি য়ার্ন পাসবুক য়েম্থোকপগা লোয়ননা য়ার্ন দিপোদ অমসু হাংলগনি হায়বসি খঙবদা নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্বা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপা অসিগীদমক মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

## টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদ্রিফাওবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অয়ুক পুং ৯গী মতুংদসু পোৎ য়োনবা য়াহনবিয়ু

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু নুংশিবিয়ু, ষ্ট্রিট ভেন্দরস এক্ট ২০১৪ ইকায় খুম্নবিয়ু অমদি টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদ্রিবফাওবা ইমা কৈথেল অহুমগী অকোয়বা অমদি বি টি রোদকী নাকল অলুগল্লি, থাঙ্গাল বাজার, নাগামপালদা মহৌশাগুম অয়ুক পুং ৯ গী মতুংদা পোৎ য়োনবা য়াহনবিয়ু হায়না রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইম্ফালনা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রে।

রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইম্ফালগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ ইনাওবী দেবীনা খূৎয়েক পীদুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা হায়জ চেরোলনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সি)গী ওর্দর অমগী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দর অমত্তা অয়ুক পুং ৯ দগী ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা পোৎ য়োনবা য়াহন্দ্রে।

অয়ুক পুং ৯ গী মতুংদা ফম্বা ষ্ট্রিট ভেন্দর লিশিং ২গী মথক্তা ওর্দর অসিনা চাউনা অকায়বা পীরি। ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাঙদগী ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা পোৎ য়োঞ্জরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং হিংনবগী লম্বী ককথৎপিরে। মরম অদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু নুংশিবিয়ু, ষ্ট্রিট ভেন্দরস এক্ট ২০১৪ ইকায় খুম্নবিয়ু লোয়ননা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদ্রিবা–ফাওবদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং পোৎ য়োনবা য়ানহনবিয়ু হায়না গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লি।

## জিরি–কছারগী য়েলহৌমীশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

জিরিবাম, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎনবা হৌখিবদগী মীরোল কয়াদগী চঙথোক চঙশিন তৌদুনা অৱা নুংঙাই, থৌরম থৌদোক কয়াদা শরুক য়ামিন্নদুনা লাকপা জিরি–কছারগী য়েলহৌমীশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না মৈতৈ কনভেন্সন জিরিবাম (এম সি জে)না ফোঙদোরক্লি।

এম সি জেগী সেক্রেটরী য়েংখোম ইবোমচানা ফোঙদোরকখিবদি অসামগী কছারদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিং মরু ওইনা মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙলশিংদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লরে। হৌজিক জিরিদা খুন্দারিবা মীওই চাদ ৯০ দি কছার অমসুং অতৈ মফমশিংদগী লাকপনি। অদুনা জিরিবামদা মরী মতা, ঙাইশেন শাগৈ পূম্নমক লৈবনা থৌদোক ৱাথোক্তা নোংমগী নৎত্রগা নুমিৎ খরনিগী লাকপা, চৎপা মথৌ তাই। মসিদা হান্না শেম শাদনা লাকপা, চঙলকপদা আই এল পি লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে। মসিগী মতাংদা কছারগী লূপ খরনসু ৱাকৎপা লৈরি। মশাগী শক্তাকচে পায়বা য়েলহৌমীশিং জিরিদা চঙথোক চঙশিন তৌবদা খজিক্তুং কোমথোক্লবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শীনবিরবদি হেন্না খুদোংচাবা, নুংশিনবা, থাজনবা হেনগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইশাগী লম ঙাক শেন্দুনা থম্বনা মীতোপ চঙলকপা থিংবা ঙমগনি। লৈফম লৈতনা চঙলকপা হৌনদে। অদুনা য়েলহৌমীশিং মরু ওইনা মৈতৈশিংগী লম য়েলহৌমী নত্তবদা য়োনবিগনু। মীওই কাঙলূপ কয়ানা মখোয়গী লম অতোপ্পদা য়োনবা থিংখিবসু কুইরে।

## ইরাবত ভবন্দা ষ্টৈদহুদ দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
লেফট পার্টিশিং সি পি আই, সি পি আই (এম), আর এস পি, ফোরৱার্দ ব্লোক পূন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভবন্দা ষ্টেটহুদ দে থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মপাল কাঙজেবুংগী নোংচুপ থংবা গেট ময়াদা লৈবা ষ্টেটহুদ সক্কারদা লৈশু কংখ্রে।

থৌরম অদুদা সি পি আই ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এ লালা, সি পি আই (এম) ষ্টেট সেক্রেটরী কেএসঐচ শান্ত, আর এস পি ষ্টেট সেক্রেটরী কে মনোরঞ্জন্নচিংবা কয়ানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

ৱাঙাংলোইশিংনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং সেক্যুলরিজমদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লেপ্পুনা অকায়বা পীনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোক্লখি। ধর্মদা য়ুম্ফম ওইরগা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১৯ চৎনহনখি। অসিগুম্বা থৌদৌ অসিগা মরী লৈননা পাক শন্না পেন্দবগী ইহৌসু চঙশিন্নরি। অদুবু বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট পায়বা ষ্টেটশিংদদি মীয়ামগী খোঙজংবু কা হেন্না নমথনবা হোৎনরি। পুন্সি ফাওবা মাঙহনখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

কুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৭০ ফাওবগী ষ্ট্রগলদা গভর্ণমেন্টনা য়াম্না নীংথিনা অথিংবা পীরম্মী অদুবু ঙসিদি ফেসিজম নিটি চৎপনা ইচম চম্বা মুভমেন্ট অমদা অকনবা মওংদা অথিংবা অমসুং ফাবা পুনবগী থৌওং চথরি। মরম অদুনা লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি মীয়ামদা খঙহনবা তঙাইফদ্রে হায়নসু খঙহনখি।

## ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা খন্ন নৈনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
লমদেং অপূনবা নুপী মরুপ, পাইওনর ক্লব লমদেং অমদি কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূৎশম্নদুনা ঙসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবা মীফম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লমদেং মখা লৈকাইদা লৈবা পাইওনরস ক্লব কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন, লমশাং নগর পঞ্চায়েটকী কাউন্সিল্লর চিঙাংবম মোধুমঙ্গোল অদুগা লমদেং অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট খরিবম জগোয়শাবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি অদুগা লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতা অমসুং কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

খন্ন–নৈনবা অদুদা লমদেং অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট খরিবম জগোয়শাবীনা হায়, লমদেং এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী য়ামখৎলক্লি। মৈরা পায়বীশিং লিংজেল মান্নরবদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল কয়া থিংবদা অচৌবা পাঙ্গল ওইগনি, শোয়দনসু ঙমগনি।

লমদেং এরিয়া অসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক লৈতবা মফম হায়বদু অমুক্তংদি ওইহনসি, ঐখোয় নিংহন্নগুমসি, কাদানসু মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জেদ ই ও জিরিবামনা ওকখ্রে

জিরিবাম, জনুৱারি ২১ (জে এন এন)ঃ
কোলকত্তাগী বিরলা ইন্দষ্ট্রিয়েল টেক্নোলোজিকেল ম্যুজিয়মদা পাঙথোকখিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং ফিয়ার ২০২০ দা মণিপুর ষ্টেটকী টিমদা শরুক য়াখিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঐচ রাজেনকুমার সিংহ (বেষ্ট টিচর গাইদ), সেলি অরাম্বম (বেষ্ট এগজিবিট মোদেল) অমসুং রাজ লক্ষ্মিবু ওকপগী থৌরম জেদ ই ও জিরিবাম্না শীন্দুনা জে এম সি কম্যুনিটি সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

বেষ্ট টিচর গাইদ ঐচ রাজেনকুমারনা হায়, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা সাইন্স পামজবা অমদি থৱায় য়াওবা মহৈরোয় কয়া লৈরে। মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপিবা তঙাইফদ্রে।

## CONDOLENCE



**Serto Lamjakim Kom** of Khoirentak Khuman has left us on Sunday, 19th January, 2020 for her heavenly abode. Our heart felt gratidude to those who suported us morally and physically and financly, during our hard times.

**Deeply Condoled**
Serto Rongneisong Kom (Husband)
Khoirentak Khuman

SL/B(Moirang)/22

## ইচনমশে / নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি



*Naorem Ibomcha*

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (*Phone No. 8014023792/6009147645*) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – ***Maibam Kerani Meitei (60 )***
***Kongpal Chanam Leikai***

SL/5674/5 +(1M)

## ম্যান্মার জেলদা লৈরুবা ২ শিন্নরকখ্রে

মোরে, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
হৌখিবা চহী ২০১৮ দা ম্যান্মারগী নম্ফালোং মনাক্তা তমু পুলিসনা ফাদুনা ম্যান্মার জেলদা লৈরকখিবা মীওই ২ ঙসি মখোয়না জেলদা লৈবগী মতম লোইরদুনা ম্যান্মার ওথোরিটিনা মোরেগী ইমিগ্রেসন ওফিসার অমসুং পুলিসতা শিন্নরকখ্রে।

হায়রিবা মীওই ২ অদুদি টিঐচ থাংজাঙম বাইতে (৩২) অপোকপা হোলজাম বাইতে মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ অমসুং থেনখোহাও বাইতে (২৫) অপোকপা ঙমখোলুন বাইতে খুদেংথাবী ভিল্লেজদগীনি।

ইন্দো–ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ ব্রিদজকী ম্যান্মার ইমিগ্রেসন ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মখোয় অনী শিন্নরকখিবনি। থৌরম অদুদা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ইমিগ্রেসন ওফিসার অওং কিৱেসো অমদি আই সি পি মোরেগী ও সি সিঐচ নবকুমারসু শরুক য়াখি হায়রি।

## এৱার্নেস পাঙথোক্তুনা ত্রিন–বিন য়েম্থোকখ্রে

ককচিং, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৮ গী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ম্যুনিসিপাল সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা এৱার্নেস পাঙথোকপগা লোয়ননা য়ুমথোঙ খূদিংগী ওইনা ফত্ত–হৌদি থম্নবা ত্রিন–বিন য়েম্থোকখ্রে।

ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী রাধাকৃষ্ণ মান্দবতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সি পি আই লুচিংবা টিঐচ তোম্বা এক্স মিনিষ্টরনা অথোইবা মীথুং, কাউন্সিল্লর এম ইনাকখুনবী, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার নাওরেম রামচন্দ্র অমদি এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার সলাম জুগেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কাউন্সিল্লর এম ইনাকখুনবীনা হায়, ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্দ, জেনরেল বেসিক গ্রান্ট, অনীশুবা ইন্সটোলমেন্ট ২০১৭–১৮ গী মখাদা তরু তানাবা লৈকাই অমা লমদম অমা ওইনবা পান্দমদা অহানবা ওইনা ইমুংদা শীজিন্নবা লোইরবা অমদি শীজিন্নখ্রবা পোৎলম কয়াগী লেমহৌখাক অদু অকংবা অমসুং অচোৎপা হায়না তোঙান তোঙান খায়দোক্তুনা মফম চানা থম্নবগীদমক অমদি ফত্ত–হৌদিশিং অদু খোমগৎপা লাকপদা খুদোংচানবগীদমক ত্রিন–বিনশিং য়েম্থোকপনি।

## নিঙোল ক্লবকী লাইব্রেরী হাংদোকখ্রে

থৌবাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী অনীশুবা কুমওন থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট টুদা লৈবা দেবী মান্দবতা পাঙথোকপগা লোয়ননা নিঙোল লাইব্রেরী হায়না মিংথোনবা লাইরিক্কী পুক্কে অমসু হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটকী চিয়ারপার্সন নিংথৌজম সুনিতিবালা, এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচা, কাদা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, আই আর দি এস ওগী চীফ ফঙ্কসনরি নোনিবালা নারেংবম, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিয়েসন (মালা)গী প্রসিদেন্ট কে চাউবা, এস বি আই থৌবালগী মেনেজর কাইখোপাউ হাওকিপ, এসিষ্টেন্ট ব্রাঞ্চ মেনেজর ডা. এন উত্তম অমদি নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী জেনরেল সোফিয়া খুন্দোংবম্না অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুর অমদি হৈরোক্কী ইসু কয়াদা নিঙোল ক্লবকী মেম্বর নুপীশিংনা লৌরকখিবা থৌদাং কয়াবু থাগৎপা অমদি অপেনবগী ৱাফম কয়া ৱাঙাংলোইশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## ৱার্কর এদুকেসনগী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

থৌবাল, জনুৱারি ২১ (এসএনএস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টকী মখাদা লৈবা নেস্নেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদুকেসন এন্দ দিভলপমেন্টনা ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেট অমসুং ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খাঙবোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাংদগী চথরকপা ৱার্কর এদুকেসন ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে।

ৱার্কর ট্রেনর ৪০ না শরুক য়াদুনা চথখিবা ট্রেনিং অদুগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস এম এস (পি দি জি) সলাম গুনমনি সিংহনা সিদ প্রদক্সনগী মতাংদা অদুগা আই সি এ আরগী চীফ টেক্নিকেল ওফিসার (এ সি টি ও) সনসম সঞ্জয় সিংহনা ভর্মি কলচর, কম্পোষ্টিংগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

থৌরম অদুদা ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ ন্যু দিল্লিগী সঙ্গথন মন্ত্রি দিনেস কুলকারনি অমদি ষ্টেট প্রসিদেন্ট এন ইন্দুভুসন অমসুং অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২২–০১–২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল ফবা, অচৌবনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মীগী মতেং ফংবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, মীনা নুংশিবিদবা, শেল ফংবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ হেন্না ফত্তে, ৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** খৎনবা, শাওনবা, তোখাই তাবা, শেল চৎপা মতম্নি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** হকচাং, ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, অচৌবনা চানবিবা, পোৎ অনৌবা লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** গারী তপ্পা থৌগনি। শাওদবা ফগনি। অফবা মীগা তিন্নবা তাবনি। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** তোখাই তাবা, চরাঙনবা, শেল হেন্না চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ খরা ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** হোৎনবা য়াবা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শাওনবা মতম্নি। শেল চৎপা, হকচাং ৱাখল নুংঙাইতবা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ হেন্না ফত্তে, ২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** চয়েৎনবা মতম্নি। য়েংশিনবা য়াম্লগনি। শেল তুংবা ৱাগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ ফগনি।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, লম চৎপা কান্নবা ফংবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

